# অসামগী মতাংদা সেন্টরগী হায়–পৱার কমিটিগী মেম্বরশিং তোক্লরকখ্রে, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মথক্তা অৱাবদা অৱাবা হাপচিল্লকখ্রে

**গুৱাহাতি, জনুৱারী ১৩ঃ** সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মথক্তা অৱাবদা অৱাবা হাপচিন্দুনা অসাম একোর্টকী ক্লোজ ৬ থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা শেমখিবা হায়–পৱার কমিটিদা য়াওনবা বার্ত্তন তৌখিবা মেম্বরশিং অমগী মথঙদা অমা মথঙ–মথঙ তোক্লরকখ্রে। খ্বাইদগী কোনবদা কমিটি অদুগী চীয়ারমেন এম পি বেজ বরুৱাসু তোকখ্রে।

১৯৮৫ অসাম একোর্টকী ক্লোজ ৬ অদুনা বাংলাদেশতগী চঙশিলকপা আইন্না য়াদবা মায়গ্রেন্টশিংদগী য়েলহৌমী অসামীজ মীয়ামদা কনষ্টিট্যুসনেল সেফগার্দ পীনবা পান্দম থল্লিবনি।

লোক সভাদা চয়েৎনবা ৱাথোক ওইনিঙাই ওইবা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল সেন্টরনা পাস তৌখিবা মতুংদগী কমিটিগী পব্লিক রিপ্রজেন্টটিব




অয়াম্বা তোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়না হান্নগী ব্যুরোক্রেট অমা ওইরিবা বেজ বরুৱানা হোম মিনিষ্ট্রিদা চেরোল অমা থাদুনা খঙহনখ্রে।

বিল অদু পাস তৌখিবা মতুংদগী অসামদা প্রোটেষ্ট কয়ামরুম মথঙ মথঙ চথরকখ্রে। মহাক্না মীয়ামগী মত অদু শৌগৎলি অমসুং মরম অদুনা কমিটি অসিদা য়াওবা ঙমলরোই হায়না মিষ্টর বরুৱানা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা মীয়ান্না শক খঙনরবা এদুকেসনিষ্ট ডা. মুকুন্দর রাজবোংসিসু কমিটি অদুদা মখা তানা য়াওনীংদবা ফোঙদোক্লকখ্রে।

অসাম সাহিত্য সভাগী হান্নগী চীফ অমসুং অইবা নাগেন সাইকিয়াসু কমিটিদগী তোক্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

অসাম একোর্টকী ক্লোজ ৬ থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা সেন্টরনা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী শক্তি লৈবা কমিটি অদুদগী তোকপদা ওল অসাম ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন (এ এ এস য়ু)না অহানবা ওইখি।

কমিটিদগী তোক্লখিবা অতৈ মেম্বরশিং অদুগা মান্নদনা তোঙানবা ফিরেপ অমা লৌদুনা অইবা অমসুং ভেটরান জর্নেলিষ্ট দি এন বেজবরুৱানা মহাক্কী ওইনদি মীয়ামগী নুংনাংবা অমসুং অপাম্বাশিং অদু পুখৎনবা মহাক কমিটিদা লৈখিগনি হায়খ্রে।

সেন্টরনা শেমখিবা হায় পৱার কমিটি অসিগী মতম থা ৮নি। য়েলহৌমী অসামীজশিংগী রিজাবোসনগী মতাংদ ৱারেপ লৌনবা অমসুং অসাম একোর্টকী ক্লোজ ৬ থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা তুঙ কোইনা চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা ফঙনবা কমিটি অসিনা মরিলৈনবা পূন্নমক্কা ৱারী শান্নগদবনি।

# সাউদি অরাবিয়ানা পাকিস্তানগী গ্বাদর হিথাংফমদা দোল্লর বিল্লিয়ন ১০গী ওইল রিফাইনরি লিঙখৎকদৌরি

**গ্বাদর, জনুৱারী ১৩ঃ** পাকিস্তানগী দীপৱাটর পোর্ট গ্বাদরদা সাউদি অরাবিয়ানা দোল্লর বিল্লিয়ন ১০গী ওইল রিফাইনরি অমা লিঙখৎনবা থৌরাং তৌরি হায়না চিনাগী মতেঙগা লোয়নানা শেগৎলিবা ইন্দিয়ান ওসিনদ লৈবা হিথাংফম অদুদা সাউদি ইনর্জি মিনিষ্টরনা ঙরাং ৱা ঙাংবদা হায়খি।

থাওগী মমল হেনগৎলকখিবনা মচেৎ ওইনসু থোকহনখিবা পাকিস্তানগী ৱাংখৎলক্লিবা কন্টেন একাউন্দ দিফিসিট অমা লাকশিন্নবা লৈবাক অসিনা ইনভেসমেন্ট অমসুং অতৈ শেনগী তেঙবাং লৌবা পাম্মী।

হৌখিবা চহিদা সাউদি অরাবিয়ানা পাকিস্তানদা ক্রুদ ইমপোর্টশিংগী শেন পুথোকপদা মতেঙ ওইনবা য়াওনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬কী পেকেজ অমা পীখি।

সাউদি অরাবিয়ানা ওইল



রিফাইনরি অমা লিঙখৎতুনা অমসুং চিনা –পাকিস্তান ইকোনোমিক কোরিদরদা পাকিস্তাননা পার্টনরসিপ ওইদুনা পাকিস্তানগী ইকোনোমিক দেভলপমেন্ট তঙদু লৈতাহনবা পাপ্রি হায়না গ্বদরদা সাউদি ইনর্জি মিনিষ্টর খালিদ অল–ফালিহনা পাউমীশিংদা হায়খি।

মদুগী মরিলৈনবা এগ্রিমেন্ট অদু সহি তৌনবা ক্রাউন প্রিন্স মুহমদ বিন সলমাননা ফেব্রুৱারি থাদা পাকিস্তানদা চৎকনি। সাউদি অরাবিয়ানা অতৈ সেক্তরশিংদসু পাকিস্তানদা শেন থাদগনি হায়খি।

পৱার ষ্টেসনশিং, অচৌবা হায়ৱেশিং, অনৌবা রেলৱেশিং অমসুং রেলৱেশিং অপগ্রেট তৌবা অমসুং হায়র কেপাসিটি পোর্টশিং লিঙখৎতুনা নোংচুপ থঙবা চিনবু মালেমগী অতৈ লমদমগা শন্নহনবা মরুওইবা লৈকং লম্বী অমা ওইনা পাকিস্তানবু ওন্থোক্লবগী চিনা –পাকিস্তান ইকোনোমিক কোরিদর (সি পি ই সি) প্রোজেক্টকী শরুক ওইনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬০ থাদনবা বৈজিংনা লেপখ্রবনি।

গ্বাদরদা ওইল রিফাইন্নরি অমা লিঙখৎপগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা হায়রিবা সি পি ই সি অদুদা মরুওইবা পার্টনর অমা ওইরগনি হায়না পাকিস্তান পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর ঘুলাম সরৱার খাননা হায়খি।

ক্রাউন প্রিন্সিকা মেমোরেন্দস ওফ অন্দরষ্টেন্দিং সহি তৌনদ্রিঙৈগী মাংওইননা ইনরজি মিনিষ্টর ফালিহাননা থৌরাংশিং অদু হান্নানা অরোইবা মওংদা শেমশাদুনা থমগনি।

*পি এম মোদিনা ওপোজিসনদা–*

# মখোয়না মখোয় মশাগী ইম্পয়ার শাগৎপা পাম্মী



**চেন্নাই, জনুৱারী ১৩ঃ** মহাক্কী পার্টিগী ময়োক্তা গ্রান্দ এলায়েন্স অমা শেন্নবা হোৎনরিবা ওপোজিসন পার্টিশিংদা ওনশিল্লদুনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে, বি জে পিদি লৈবাক অসিগী অফবা থবক তৌনবা থোরকপনি। অদুবু নাকন অমদা লৈরিবশিং অসিদি মরনাইগী খুদোঙচাবা লৌনবগী এলায়েন্স অমসুং শগৈ লৈঙাক্কী পার্টিশিংনি।

মখোয়না মখোয়গী ওইবা ইম্পয়ার শাগৎপা পাম্মি অদুবু ঐখোয়না মীয়াম্বু শক্তিং পীবা পাম্মী। বি জে পিগী ময়োক্তা শেন্বা এলায়েন্স হায়বসি অসম্বীদা পার্টিশিং অদুগী কান্নবা খক্কী শেন্বনি হায়না মহাক্না হায়খি।

অতৈ পার্টিশিং মান্নদনা ঐখোয়দি দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিটিক্স তৌদে। ঐখোয় হীরম খুদিংমক্তা লৈবাক অসিগী সেবা তৌনবা লেপ্পিবনি হায়না তামিলনাদুদা পালিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫দগী বুথ –লেবেল বি জে পি ৱাকরশিংগা উন্নদুনা ৱারি–ৱাতাই শানবা অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

নহারোলশিং, লৌমীশিং অমসুং নুপীশিং য়াওনা খুনাইগী কাংলূপ কয়ানা বি জে পি গভর্ণমেন্টকা অকনবা লীপুন অমা লৈনৈ হায়বা ৱাফম থমদুনা ওপোজিসনসু মসি থবক তৌবা লৈঙাক অমনি হায়না খঙই।

করিগুম্বা মোদিনা অসুক্কী মতিক ফৎলমদ্রবা অমসুং লৈঙাক অসিনা থবক তৌরমদ্রবদি মখোয়গী এলায়েন্স অদু শেন্বগী করি মথৌ তাবগে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হংখি।

গেরুৱা মচুগী পার্টি অসিগা লান্থেন্নবগী থৌরাংদা উত্তর প্রদেসতা লাক্লিবা লোক সাভা মীখলদা মখোয়গী এলায়েন্স অমা শেন্লে হায়না সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজৱাদি পার্টিনা লাওথোকখিবগী নোংঙানবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

# টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

**শ্রীনগর, জনুৱারী ১৩ঃ** ঙরাং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা খা কাস্মিরগী পুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা য়ারিপোরাগী কাতপোরা এরিয়াদা মিলিটেন্দশিং লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফঙবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা কোয়শিন্দুনা থিবা–হুম্বগী থবক চথবদা মীলিটেন্দশিংগা খূৎ থোক্লরকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা আই ই দি এক্সপার্ট ১ য়াওনা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে হায়রি।

টেরোরিষ্ট ২ অদুগী মনূংদা জীনাথ –উল–ইসলাম কৌবা অমা য়াওরি। মহাক অল বাদর টেরর গ্রুপপু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক হিজবুল মুজাহীদিগা য়ানখিবা মনূংদা হৌখিবা চহিগী নবেম্বরদা হিজবুলদগী অল–বদরদা য়াওরকখিবনি।

মহাক ইনপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ই দি) শিজিন্নবদা এক্সপার্ট অমনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি। অতোপ্পা টেরোরিষ্ট অদুনা শাকীল দর কৌই। মখোয় অনীমক টেরর ক্রাইম কয়ামরুমদা চেন্নে হায়রি।

# রিবেল দ্রোন এটেকতা শোকখিবা য়েমেনগী মকোক থোংবা ইন্টিলিজেন্স ওফিসেল অদু শিখ্রে



**দুবাই, জনুৱারী ১৩ঃ** য়েমেনগী খ্বাইদগী চাওবা এয়ার বেজদা হুথি রিবেল দ্রোন এটেক অমদা শোকখিবা মকোক থোঙবা য়েমেনি ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েল অদু মহাক্কী অশোকপশিং অদুনা মরম ওইদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শিখ্রে হায়না মেদিকেল লিখুলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়েমেনগী খ্বাইদগী চাওবা অনীশুবা সিটি হেদেনগী অৱাংদা কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্পা গভর্ণমেন্টনা পায়রিবা লাহিজ প্রোভিন্সতা লৈবা অনাদ এয়ার বেজদা মিলিটরি পেরেদ অমা পাংথোক্লিঙৈ মতমদা হুথি লালহৌবশিং অদুনা দ্রোন এটেক অমা শগোলশেন নুমিৎতা চথরকখি অমসুং মদুদা ইন্টিলিজেন্স ব্রিগেদিয়ার জেনরেল সালেহা তমাহা শোকখিবনি।

এদেনদা লৈবা হোস্পিতাল অমদা ব্রিগেয়াদরি জেনরেল অসি সরজরি কয়ামরুম পাংথোকখ্রে অদুবু ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা লৈখিদ্রে হায়না মেদিকেল লিখুলশিংনা এ এফ পিদা হায়খি।

য়েমেনদা য়ুনাইদেট নেসন্সনা লূচীংদুনা শান্তি পুরক্লবা হোৎনরিবশিং অদুদা অপনবা থোকহনীংঙাই ওইরিবা শগোলশেন নুমিৎকী থৌদোক অদুদা ব্রিগেদিয়ার জেনরেল তমাহ য়াওনা য়ামদ্রবদা গভর্ণমেন্টকী মীওই ৭ শিখি অমসুং ১১ শোকখি।

শোকখিবশিং অদুগী মনূংদা য়েমেনগী দিপুটি চীফ ওফ ষ্টাফ সালেহা অল–জনদানি, সেনিয়ার আর্মি কমান্দর ফদেল হাসন অমসুং লহিজ প্রোভিন্সকী গভর্ণর অহমদ অবদুলাহ অল– টরকি য়াওরি। টরকি অমসুং জনদানিদি লয়েঙনবা সাউদি অরাবিয়াদা পুখ্রে।

এটেক অদুগী মতূংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইরাই নুমিৎতা মীপাইবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লাল শোক্লরিবা কাংবু পূন্নমক্তা খূৎ ফাথনবা অমসুং মখা তাবা উংখৎনবা তোক্লবা অপিল তৌখ্রে।

হৌখিবা থাদা সুদেনদা ৱারি শানখিবশিংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৌখৎলদুনা সরান্না শৌগৎপা হুথি রেবেলশিং অমসুং সাওদিনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা এগ্রিমেন্ট কয়া পুরকখিবা অদু চহি ৪ রোমগী মাঙ–তাক্লিংঙাই ওইবা লাল অসি লোয়শিন্নবগী খ্বাইদগী ফবা তাঞ্জা অমনি হায়না লৌনৈ। লান তৌনরিবা নাকন অনীনা লালহৌবনা পায়রিবা মরুওইবা হোদৈদা এইদ পোর্ট অমসুং লানফম ওইরিবা য়েমেনগী ৩শুবা সিটি টাইজগী দমক ট্রুস দিলিশিংগী মতাংদা য়ানখ্রে।

পোলিটিকেল ফ্রেম ৱার্ক অমা ড্রাফ তৌনবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা খন্ন নৈনবগী অনৌবা তাঙ্কক অমা ওইথোক্লিঙাই লৈরবদি কুৱাইটতা হোৎনরি।

# মেঘলয়া খোনি মনূংদগী শিন্মী ১৫ হিংনা ফঙবগী অশা মাঙশিল্লক্লে, রেস্ক্যু ওপরেসন চথরি, অন্দরৱাটর রোবোটিক্স টিমসু য়াওরখ্রে

**শিলোং, জনুৱারী ১৩ঃ** মেঘলয়াগী হষ্ট জান্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনূং হঞ্জিনবা লমদমদা লৈবা আইন্না য়াদবা রেদট হোল মাইন অমগী মনূংদা চঙখিবা শিন্মী ১৫, খোনি অদু ঈশিংনা থুমজিল্লকখিবদগী থোক্লকপা ঙমদনা লৈখিবদু থা ১ ফাজিলক্লে। মখোয়বু হিংনা ফঙগনি হায়বগী অশা মাঙশিল্লক্লে অদুবু হৌজিকসু রেস্ক্যু ওপরেসন চথরি। মসিদা চেন্নাইদগী অন্দরৱাটর রোবোটিক্স টিম অমসু য়াওশিলকখ্রে।

দিসেম্বর ১৩, ২০১৮দা ফুট ৩৭০ লূবা আইননা য়াদবা খোনি অদুগী মনূংদা য়ামদ্রবদা কোইলা পেকপা শিন্মী ২০ লোম চঙখিবনি অদুবু অনকপা তুরেনদগী ঈশিং চঙশিলক্তুনা থুমখিবদগী শিন্মী ৫ চেন্থোকপা নংহৌরবসু লেমহৌরবা ১৫দি খোনি অদুগী মনূংদা অদুম লৈখ্রবনি। হৌজিক থা১ শুরক্লবা



মফম ফাওবদা মখোয়বু কন্ননবা হোৎনরক্লিবা অসিদা সুপ্নগী শিন্মী ১ফাওবা থেঙনবা নৎত্রগা কনবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অসি খুদক্তা থবক লৌখৎনবা ৱাকৎ অমা সুপ্রিম কোর্টনা হিয়ারিং চথখি। খ্বাইদগী মকোক থোঙবা কোর্ট অসিনা থবক মখা চথৌ, থাজদনা অঙকপশিং থোকপা য়াই হায়খি।

সেন্টরনসু ইরাই নুমিৎতা কোর্ট অমনা থারকখিবা মেম্বর ৬না শাবা অসিনা মিরেকলশিংদা থাজবা তাবনি অমসুং শিন্মীশিং অদু হিঙনা থোক্লকপা য়েঙবা তাবনি হায়খি।

রেস্ক্যু ওপরেসন অসিদা ইন্দিয়ান নেভি অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী প্লেনশিং অমসুং হেলিকোপ্টরশিং শিজিন্নরি। সবমর্সিবল রোবোটিক ইনস্পেক্সনসতা স্পিসিয়েলাইজ তৌরুবা চেন্নাইদা লৈবা কম্পেনি টিম অমসু রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতগী য়াওশিল্লকখ্রে।

প্লেনিজ টেক্লোলোজিস কৌবা কম্পেনি অদুনা সবমর্সিবল রোবোটিক ইনস্পেক্সনশিং পীরি রিমোর্টলি ওপরেটেদ ভেহিকলস (আর ও ভি) সিজিন্নদুনা সরভে তৌরি।

প্লেনিজ টেক্লোলোজিস য়াওনা অতৈ প্রাইভেট রিছাস ইনষ্টিট্যুটশিং নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ হায়দ্রোলোজিস (এন আই ঐচ), নেসনেল জিওফিজিকেল রিছার্স ইনষ্টিট্যুট (এন জি আর আই)সু রেস্ক্যু ওপরেষ্য অসিদা মতেঙ পাংলি। ইন্দিয়ান নেভি, কোল ইন্দিয়া, এন দি আর এফ, এস দি আর এফ, ওরিসা ফয়ার সার্ভিস অমসুং প্রাইভেট পম্প মেকর কিরলোস্করনা চীংবগী রেস্ক্যু পার্সোনেল ২০০ রোমনা ওপরেসনশিং অসিদা শরুক য়ারি।

# চিনাদা কোইলা খোনি নিংখাইবদা মীওই ২১ শিখ্রে

**বৈজিং, জনুৱারী ১৩ঃ** চিনাগী সানচি প্রোভিন্সতা লৈবা কোইলা খোনি অমা ঙরাং থাংজ নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতূংদা নিংখাইরকখিবগী খুদোঙথিবা থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ঙসি ২১ শুরে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

রেস্ক্যুয়রশিংনা অশিবা মাইনর ২গী হকচাং ফঙদুনা অৱাং থঙবা চিনাদা কোইলা খোনি অমগী মথক অদু নিংখাইরকপদা শিবা মীগী অপূনবা মশিং ২১ শুরে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা হায়খি।

মফম অদুগী ওথোরিটিজগী ৱাফম পল্লদুনা ওফিসিয়েল ন্যুজ এজেন্সি ওইরিবা জিনহুৱাগী মতূং ইন্না খুদোঙ থিবা থৌদোক অদু থোকপা মতম অদুদা খোনি অদুগী মনূংদা পূন্না মীওই ৮৭ লৈখি হায়রি।

মাইনর ৬৬তি খোনি অদুদগী শোয় ঙাম্বা থোক্তনা লৌথোকপা ঙমহৌরে। লেমহৌরিবা মীওই ২ অদু রেস্ক্যুয়রশিংনা থিরকখিবনি অদুবু ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা মখোয় শিনা ফংখি।

লনাইনা মপূ ওইবা বাইজি মাইনিংনা চল্লাইবা খোনি অদুদা থোকখিবা খুদোঙথিবা থৌদোক অদু করিদগী থোকখিবনো হায়বদু হৌজিক থিজিল্লি।

চিনাদা লৈরিবা প্রাইভেট কোল মাইনশিংনা মহৌশানা শোয়দ ঙামদনবগী চেকশিন থৌরাং অদু লৌখৎপা ৱাৎলি।

বাইজিগী রেজিষ্টর ফোন নম্বর পীরকখিবা কম্পেনি অদুদা ড্রাইভর ওইবা অমনা খুদোঙ থিবা থৌদোক অদুগী মরমদা ই–পাউ ফোঙদোকপা



ঙমলোই হায়রকখি হায়রি। খোনি অদু অপীবা চাংদা চল্লাইবনি হায়না মহাক্কী মমিং ফোঙদোকউ য়াদনা ড্রাইভর অদুনা হায়রকখি।

চিনাদা কোইলা পুথোকপগী ফিভম ফগৎহন্নবা ফনা কন্না হোৎনদুনসু অমসুং আইননা য়াদবা খোনিশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলবসু সেফটি রেকোর্দ নেম্বা ইন্দষ্ট্রি অসিদা মীশি মীনা থোকপা মাইনিং এক্সিদেন্টশিং তোয়না থোকই।

হৌখিবা চহিগী দিসেম্বরদা চিনাগী খা নোংচুপতা কোইলা খোনি অমদা এক্সিদেন্ট অমদা মাইনর ৭ শিখি অমসুং ৩ শোকখি।

ওক্টোবর থাদসু নোংপোক থঙবা শাংদোং প্রোভিন্সতা খোনি অমগী মনূংদা প্রেসরনা রোকশিং মই চৎলকপা অমসুং কায়রকপদগী টনেল অদু থিঙজিনখি অমসুং শিন্মীশিং অদু থোক্লকপা ঙমদনা লৈখিবদগী মাইনর ২১ শিখি। সুপ্নগী মাইনর ১ খক মশা হিংনা রেস্ক্যু তৌখি।

চিনাগী নেসনেল মাইন সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতূং ইন্না কোইলা খোনিগা মরিলৈননা শিবদা চহিদা চাদা ২৮.৭ হন্থরক্তুনা ২০১৭দা ৩৭৫ শিখি হায়রি। ফনা য়াম্না ফগৎহল্লবা ফাওবদা কোল মাইন সেফটিগী ফিভম হৌজিক ফাওবা কিনিংঙাই ওইরি হায়রি।

# কোংগ্রেসঃ য়ু পিগী সিট ৮০মক্তা মীরেপ থাদোক্কনি



**লখনৌ, জনুৱারী ১৩ঃ** উত্তর প্রদেসতা ২০১৯ লোক সভা মীখলগীদমক কোংগ্রেসপু ইন্থোক্ললগা ময়াবতি অমসুং অখিলেশ যাদবনা এলায়েন্স শেমখিবগী মতূংদা কোংগ্রেসনা ষ্টেট অসিদা রেল্লি ১৩ পাংথোক্লবা অমসুং সিট ৮০মক কন্টেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌখ্রে।

উত্তর প্রদেসকী জোন ১৩দা রাহুল গান্ধীনা ফেব্রুৱরিদা রেল্লি ১৩ পাংথোক্কনি। থৌরাংশিং অসি লেপথোক্লবা কোংগ্রেস লিদর গুলাম নবি অজাদ অমসুং পার্টিগী উত্তর প্রদেস ইনচাজ রাজ বাব্বর ঙসি উন্নখ্রে।

উন্নখিবা অদুগী মতূংদা পাংথোকপা প্রেস কনফরেস অমদা পাউমীশিংদা মীষ্টর অজাদনা লোক সভা মীখলদা উত্তর প্রদেসকী লৈরিবা সিট ৮০ অসি লোয়নমক্তা কোংগ্রেসনা মীরেপ থাগৎকনি হায়খি।

নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেসকী হাপুর, মোরাদবাদ অমসুং সাহারানপুরদগী রাহুল গান্ধীগী অহানবা তাঙ্ককী রেল্লিশিং হৌগনি হায়খি।

অখিলেস যাদবকী সমাজৱাদি পার্টি অমসুং ময়াবতিগী বহুজন সমাজৱাদি পার্টিনা উত্তর প্রদেসকী লোক সভা সিট ৮০গী মনূংদা সিট ৩৮–৩৮ মীরেপ থাদোক্কনি। লেমহৌরিবা সিট ৪না রাহুল গান্ধী অমসুং মহাক্কী মমা সোনিয়া গান্ধীনা পায়রিবা অমেথি অমসুং রাইবেরেলিগী সিট ২ অদুগা অতোপ্পা ২ অদুনা রাষ্ট্রিয়া লোকদলগী চীফ অজিত সিংহগী থমমলি।

১৯৯২দা বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবা মতূংদগী উত্তর প্রদেসতা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরকখিদ্রে। ষ্টেট অসি ময়াৱাতি অমসুং অখিলেস যাদবকী সমাজৱাদি পার্টিনা শিন্ন–শিন্নদুনা লৈঙাক পায়রকখ্রে।

হৌজিক লুরিবা ৱাফমদি লোক সভা সিট লোয়নমক কন্টেষ্ট তৌনবা কোংগ্রেসকী থৌরাং অদুনা ময়াৱাতি অমসুং যাদব এলায়েন্সকী ভোতশিংদা শোকহল্লকপা য়াই। মসিনা মধ্য প্রদেসতা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টতা শৌগৎলিবা মিষ্টর যাদব অমসুং ময়াৱাতিদা শাওহল্লবসু য়াই। অদুবু লূচীংবা অনী অসিনা কোংগ্রেসকী থৌরাংশিং অদুদা মত ফোঙদোক্লকত্রি।

# বি জে পী লূচীংবগী ব্যুজিনেসশিংদা রেইদ চথখ্রে

**দেরাদুন, জনুৱারী ১৩ঃ** সেনিয়ার বি জে পি লিদর অনিল গোয়াল অমসুং মাগী ইমূং মনূংগী উত্তরখন্দ অমসুং হরিয়ানদা লৈবা ব্যুজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন ১৩দা ইরাই নুমিৎতা ইনকম টেক্স ওফিসারশিংনা রেইদ চথখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্টনা রেইদ চথখিবা অনিল গোয়ালগী প্রোপরটিজশিং অদুদা দেরাদুনদা লৈবা ক্বালিটি হার্দৱয়ার, উমঙ্গ, শারিজ অমসুং এলেকজিয়া পেলেস, রূকীদা লৈবা ক্বান্টম য়ুনিভর্সিটি অমসুং হরিয়ানগী জমুনানগরদা লৈবা পঞ্জাব প্লাইৱুদ ইন্দষ্ট্রিজ য়াওই হায়না আই টি ইনভেষ্টিগেসন্স কমিসনার অমরেন্দ্রা কুমারনা হায়খি।

অনএকাউন্টেদ রিসিপ অমসুং অনএকাউন্টেদ ইনভেসমেন্ট অমসুং য়োনখিবশিংগী অরানবা রেকোর্দশিংগী মরানশিংদা রেইদশিং অদু চথখিবনি অমসুং মদুদা ফাগৎলকখিবা দোকুমেন্টশিং কুপ্না য়েঙশিল্লি হায়রি।

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 12/11/18
Sl. No. : 9640
Valid : 08/11/18
Sl. No. : 9171
Stk : 270, 19kg-24
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : 14/12/18
Valid : 20/11/18
Sl. No. : up to 217
Stk : 612, 19kg-138
Time : From 08.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 17/11/18
Valid : 15/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 27/11/18
Valid : 15/11/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane (Rs 810.50)**
Booking : 24/12/18
Sl. No. : 150
Valid : 15/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 05/12/18
Valid : 02/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11 .00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 14/12/18
Valid : 15/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 04/12/18
Valid : 01/12/18
Stk : 306

**Mahalashmi Indane**
Booking : 11/12/18
Sl. No. : 236295
Valid : 02/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 12 noon

**Phoubakchao Service**
Booking : 05/01/19
Valid : 03/12/18
Sl. No. : 4535 upto 4841
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**T. D. K. Sakmai**
Booking : 26/11/18
Valid : 17/11/18
Stk : 612

**J Rongmei Wangoi**
Sl. No. : 27731 upto 28050
Stk : 306
Time : 05.30 to 09.30 a.m.

**B. D. Chandel**
Booking : 04/12/18
Valid : 23/11/18
Stk : 288, 19kg-12
Time : 10.00 to 01.30 p.m.
Delivery at Komlathabi

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-12**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 8 | 9 | | | | 6 | 2 |
| | 1 | | 6 | | 7 | 9 | | |
| 2 | | 6 | | | 5 | | 1 | |
| | 8 | | 2 | 1 | | | 9 | |
| | | 2 | | 9 | 6 | | | 1 |
| | 5 | 1 | | 8 | | | | 4 |
| 8 | | | | 5 | | 1 | | 6 |
| 1 | | | | | | 8 | | 9 |
| | 6 | | 1 | | | 2 | | |

**সনা–সুদোকু –১১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 6 | 8 | 9 | 1 | 4 | 2 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 7 | 5 | 6 | 3 | 1 | 8 |
| 5 | 8 | 1 | 2 | 3 | 4 | 7 | 6 | 9 |
| 2 | 1 | 8 | 4 | 7 | 5 | 6 | 9 | 3 |
| 7 | 6 | 3 | 9 | 8 | 2 | 1 | 5 | 4 |
| 9 | 5 | 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 6 | 3 | 5 | 1 | 4 | 9 | 8 | 7 | 2 |
| 1 | 9 | 7 | 3 | 2 | 8 | 5 | 4 | 6 |
| 8 | 4 | 2 | 5 | 6 | 7 | 9 | 3 | 1 |